# নুপামচা অনীগী লাইগী ৱারী তারুবদা - ১

ৱাখল ইহুল

## সোরাম ইবোহল লুৱাং

তাইবঙ মী ওইনা পোক্লক্লগা মরোল থোকপা হেক হৌরকপদা অয়াম্বনা অহানবদা কৌবা/ঙাঙবসি - ইমা/অ-মা/মা/মমি/অপুই/মো/ মেনচিংবা খোন্থোকসিনা ওইবনা তাইবঙ মীওইবা, শা-শিংগা খ্বাইদগী নক্লবসি অহানবদা অপোকপী ইমা, অনীশুবদা অপোকপী ইমাগী মহুৎ শিন্দুনা চাউনবা য়োকপী থাকপীরিবী, নুংঙাইনবা মচাক মথুম কয়াসু পীবিরিবী মালেম ইমানি। অনীশুবগী ইমাসি মহৌশা লাইরেম্বী ইমা হায়নসু খঙনরিবসিনি। অদুবু তাইবঙ মী ওইনা পোক্লকপগী মতাংদদি পন্থৌ ইপানা থা ২ নাওপুরগা ইপানা পলেম ইমাদা অঙাং ঙা হায়বদি ঈরিক মরা থাই। অদুদগী পলেম ইমা ওইবীনা থা ১০ নাওৱা নাওপুরগা তাইবঙ ফাওরকই। মরম অসিদগী শা-ঙানচিংবনা খঙবা ঙমদ্রবসু মীওইবা ঐখোয়দি ইপা-ইমা-মহৌশা লাইরেম্বী ইমাসু ওইরিবী মালেম ইমা মখোয় অহুমসি য়াম্না নুংশিবগা লোয়ননা মশক মুন্না খঙবা তাই। 'কোরৌ ইপানা ৱাংব্রা পন্থৌ ইপানা মৱাংই; মালেম ইমানা লুম্ব্রা পলেম ইমানা মহেল্লি' হায়নরিবসিনা তাক্লিবদি ইপা ইমা অনীসি মীৎনা উবা লাইনি। মখোয়বু মিরাইফদে হায়বসিনি। মরমদি মখোয়না (ইপা-ইমানা) ঐখোয়বু পোকপিরমদ্রবদি করিসু খঙলম্লোই। "অমুক পোক্লকপদি অমুক শিবা হায়বসি শোয়দ্রবনি"। মীওইবা, শা-ঙা লোয়নমক পোৎ (মেটর) মত্তনি। অদুনা পোৎ খুদিংগী পোৎ ওইনা হান্নগী মওং অমদা লৈবগী মতম লৈফম থোকই। মতমদু হেক লোইবগা অতোপ্পা পোৎ মওং অমদা ওন্থোকখি। খুদম মশীং লাকঙমদনা লৈ হায়বসি লোয়না খঙনৈ। খজিক্তং ওইনা পঞ্জরবদা মীনা শিরগা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা নমথিবা মনম চেল্লকই, মশাদগী পোকচরকপা পোৎশক্তুনা মপূম ওইনা লৈরম্বা হকচাংদু থুগাইদনা পুম্মাং মাঙখি। হায়রিবসি অহিংবা পোৎ খুদিংমক্তনি হায়বা য়াই, মরু ওইনা প্রোটিন য়াম্না য়াওবা পোৎশিংদা। লৈ শাৎলক্লগা মতম খরা লৈরগা কেনখিগনি অদুদগী অতোপ্পা মওং অমা ওইখিনি। থৌনরিবা গাড়ী মখলশিং চহী খরগী মতুংদা কোনচাক ওইখিগনি। মথক্কী পোকপা শিবা নায়হল্লিবসিগী চূপ্পি পায়বা শকখঙদবা/শকউদবা মপু অমদি লৈ। মহাকপু 'শিদবা মপু' পোকপা শিবা নায়দবা লাই হায়নরিবসিনি। পূম্নমকসিবু শেম্বীবসু মহাকনি।

লাইগী মতাংদা নোংমা নুপামচা অনীখক্লা অয়ূক অঙনবদা প্রাইভেট তম্বা চৎলম্বদা খন্নবা মতাংদু অইবা ইশাসু নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক্তা ৱাকিং চৎপা মতাং অমা থোক্লুবদা তাবদা য়াম্না নুংঙাইখি। মখোয় অনীগী মতুংদা করিমত্তা হায়দনা অদুম চৎলগা তাই। অমনা হায়, ঐখোয়দি লায়র মচানিনা খোঙনা চৎলগা লাইরিক তম্বা চৎলি। মখোয় ইনাক খুনবগী মচাশিংনা মখল অমগী গাড়ী থৌরগা/মপা-মমানা থিল্লগা চৎলি। ঐখোয়গী ইপা ইমা শাবা লাইগা ইনাক খুনবা মখোয়গী মপা মমা শাবা লাইগা করি কয়াম খেন্নবনো খঙদে। অতোপ্পা অমনা অমুক হায়, লাইনি-লাইনি হায়দুনা মীওইবনা নীংনরিবা লাই কয়া অমসু অমুক লাইশিংদুনা অতোপ্পা লাই নীংবদুম্না তৌই। লাই হায়বসি উবদি শুকঙম ঙমদে হায়। ঐসু অমুক্তা উদ্রি। অদুবু কনাগুম্বা অহল ওইগেরা, অঙাং ওইগেরা নাবা য়েকপা য়াওরকপদা মাইবা-মাইবী অমদি লাই তোংবা/তোংবীশিংনদি/মাইবী লাই তোংবা মতমদদি মহাক্তো লাই ওক্লরে হায়বা য়াওই। মসিনা কমদৌরিবনো খঙদে। মদুদা অহানবগী নুপামচাদুনা অমুক হায়, ফরেনে ঐখোয় অনীবু লাই লৈ-লৈতে হায়বসিদা লৌদোইসি করিনো? অমদুনসু খুমই - মতাংসি য়ৌরক্লবদি ঐসু খঙদ্রে। নুপামচা অনীসিগী মতুংদা তুমিন্না চৎলম্বা ঐসে - মখোয় অনীগী লাইগী মতাংদা হায়নবসি লোইশিল্লক্লে খঙবদগী অসুম্না মখোয়গা পূন্না ৱারী শানমিন্নবা হৌই।

ইশু অনী হেক্তা হায়রগে, ইশুশিংনা হায়নীংবসি লাই হায়বা অমদি লৈ, উবদি ফংদে/ঙমদে, মসিগী মরমদা খঙদে হায়বসি নৎত্রা? হোয় ইপু হায়না মখোয় অনীনা খুল্লকই। ইপুনা ৱাহৈ খরা হায়গে। ইহে, ইশু নখোয় অনীবু লাইরিক তম্বা চৎপ্রা/হল্লকপ্রা? ইপু ঐখোয় হল্লকপনি। ফরে অদু ওইরবদি ইপুনা ইশু অনীদা থম্মিংলিবা ৱাফমদি লায়রবা মপা মমা শাবা লাইগা ইনাক খুনবা মচাগী ইনাক খুনবা মপা মমা শাবা লাইগা খেন্নব্রা খঙনীংনা হংখিবদুগী মতাংদা হান্না হায়গে। নখোয়না খঙবদা নচে-খায়গী/নমান্নবগী লৈকায়শিংদা 'চপ মান্নবা লাই লাৎপদা' লায়রবা ইমুংনা লাৎপা লাইগা ইনাক খুনবা ইমুংনা লাৎপা লাইগা থাক মান্নদবা শোয়দনা উরমগনি। ইনাক খুনবনা লাৎপা লাইগীনা লাইশঙ/শঙলেন চাউনা ফজনা শাবা, লমগসু তনান-তনান পাক চাউনা লৈবা অদুগা লায়রবগীনা পিশক পিক্লা, ইমোৎ মোৎনা অনীদু য়েংনবদা মানবা উরম্বসু য়াই, লৈরমগনি। মীওইবনা লায়রবা/ইনাক খুনবা হায়বসিদি মরম কয়াদগী ওইবা য়াই। অদুক শম্না - মফম মতমগীদা মতাং চানা শূবা নোম্বা কনবদা লাইবক্তা তল্লকপদুগা তান চানখিবা/চানখিদবগী ৱানি হায়না ইশুশিংদা থমগে। অমবু ওইরবসু, শূবা নোম্বা কনবা, পুকচেল শেংবা হায়বসিনা হৌজিক লাই হায়নরিবশিংগীদমক্তদি চংদবা য়াদবা মরম অমনিকো ইশুশা। খুদম, হান্না ইনাক খুল্লম্বদু মরম খরদগী লায়রবা ওইরকপা (ইনাক খুনবগী চাং হন্থরকপা); অমনা য়াম্না ৱারম্বদগী মসিসু মরম খরদগী নুংঙাইখৎলকপা/ ইনাক খুনবা ওইরকপা; অতোপ্পা অহুমশুবা অমনা চাং অমদা অদুম লৈবা য়াওদবা নত্তে। অদুনা লাই হায়বসিদি লায়রবগী লাই হায়বা অমা, ইনাক খুনবগী লাই হায়বা অমা- লাই লাইদি খেন্নবা লৈতে। ঐখোয়না হায়নবদা 'লাইপু' হায়বা অমা লৈবদুগী মখা পোল্লি কো লাই লায়রবা,লাই ইনাক খুনবা হায়বসি ইশুশা। ইপু য়াম্না নুংঙাইজে খঙলমদবসি খঙবদা।

মথংদনা নতাওগী মতাংদা খন্নসি। মীওইবা ঐখোয়না থাজবা লাইনীং লাইশোন অমগী মখাদা অহলশিংনসু নহাশিংগী মনুং চল্লিবা ইশুশিংনসু লাইনি হায়দনা লাইপোক্কুম্বা খরবু লাইনি হায়দনা লাৎনৈ/নীংনৈ হায়বসি চুমই। মরমদি মালেমগী/খুন্নাইগী মফম খুদিংদা তৌনরিবনি। অমুকসু লাইদি মশকসু উদে হায়রগা ঐখোয়না লাইপোক্কুম্বা হায়নরিবসিনা কমদৌরিবনো শোয়দনা খঙনীংলমগনি। খঙনীংই ইপু। ইপু হায়গে - মীয়াম মরক্তগী থোইদোক হেন্দোকপা মতিক ময়াই চেনবা - ঙাঙথোরকপদা, তৌথোরকপদা, হেক উবদা,মীয়াম্না ঙম্নদবা থবক্কসে ইরায় লায়না পাঙথোকপা ঙম্নবা পাম্বৈ অমা হেক্তা পুথোকপা/ হৌদোকপা ঙম্বা - মদুসু মীয়াম্না হেক্তা য়ানীংবা ওইবা, অফবসু ওইবা - অদুগুম্বা মীশক খরদু মশীং পংয়াম য়ামগন্দে তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলূপশিংগী মনুংদা। মখোয়শিং অসি 'মীথোই মীহেনবা, মী মরূ, মী মচং' কৌই। মখোয়শিংবুনি ঐখোয়না লাইপোক/লাইপোক্কুম হায়নরিবসি। মখোয়শিংনা মালেমগী খুন্নাইদা মশক থোকপা ৱাখল কয়া পুথোক্তুনা মখোয়দগী হীরম অয়াম্বদা থাক হন্থবা মীওই কয়াবু লৌশিংগী মৈরা চুখৎপীবা ঙল্লকই। মতমগী মতুংইন্না মখোয়শিংসু লাই হায়নরিবা থাকসি য়ৌখিবদগী তুংগী মীরোলশিংনা লাই হায়রগা থাজনরকই। মখোয়শিংগী অমুক পোকপশিং লৈ। খঙবা খঙদবা হায়বনা অমনি। অদুনা কুপথনা অমুক থিরুবদা মখোয়না অমুক লাই অমা নীংবগী ৱাফম লৈবসি চুম্ফম থোকই। মরমদি খুন্নাই খুদিংদা মীওইবশিংনা ফরে হায়না খনবদগী লাইনি হায়না লৌদুনা নীংনরিবা মশাশিংবু অমুক লমচিং লমতাক পীবা ঙম্বা মথক থোংবা নৎত্রগা কনাগুম্বা অমদি লৈরম্বা য়াই। মদু মীচম ঐখোয়নদি খঙদবা-উদবা য়াই। অসিগুম্বা ফীভমসিদা লাইনি হায়না লৌনরিবা অমনা অমুক মঙোন্দগী হীরম অয়াম্বদা/খরদা হেল্লি হায়না খনবা লাই খরা হেন্না থাক ৱাংবা লাইদুদগী হেন্না ৱাখল লৌশিং ফংনবা - মীওইবা খুন্নাইদা হায়রগনা হেন্না খঙ হৈবা অৱাংবা থাক্কী লৌশিংগী পুক্কে লৈবা ওজা অহল অমদগী খঙনীংলিবা খরদু তাকপীরক্লবা ওজাদুগী থৌগল/অয়াবা লৌজবা মথৌ তাই। অদুনা লাইনা লাই অমুক নীংবগুম তৌই হায়রিবসি চুম্ফম থোকই/য়াফম থোকই। মীওইবগা নক্লনা লৈরিবা লাইপোক্কুম্বা/লাই হায়বসিদা মথক থোংবদুগী থৌগল ফংলবা মতুংদা লাই মশানা ইন্দুনা চৎলবা মতুংদা 'অচুম্বা, অফবা/নুংশিবা, ফজবা' হায়বসিদা য়ূম্ফম ওইবা চৎন লোনচৎ মখা থাবা মীওইশিংনা ঙাক্লা চৎনবা পুথোরকই/তাকপীরকই। মথং মথং ওইনা মালেমদা লৈরিবা মান্নদবা মীওই কয়ানা মান্নবা লাইনীং; লাইশোন/লিচৎ চৎপা/চৎনীংবা কয়া অমসু থোরকপদগী লাইনীং লাইশোন/লিচৎ মান্নবা হায়বদি রিলিজন তিন্নবা হায়বসি ওইরকই। অহানবা তাঙ্ককসিগী ফাওবদি লাইদি লৈ হায়না লৌসিকো ইশুশা। মখা চৎথখিসিকো।।◂◂

## রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী ১১মক ফাগী তারক্কদৌরে...

# অরোইবা পাম্বৈ ওইনা অনৌবা জন্মকুষ্ঠি মরি মঙা ইথোক্লগা য়েংলসি

- বী এম মাইস্নাম্বা -

(হান্নগী মখা চথজরকপা...)

সরাংথেম ওজা বরমনিগী মৈতে নিংথৌরোল হায়রিবা লাইরিক অসে য়াম্না মমিং চৎখি, য়াম্নসু পোৎশিৎ ফখি। মণিপুর ইতিহাসকী পৌরপ্পা হেন্দ বুক অমনি। খুৎনম মথং মথং ফোঙলক্তুনা খৃষ্ট কুম ২০১৮দা ৮শুবা খূৎনম পুথোকখ্রে। লাইরিক অসিদা ইরিবা পূম্বা অচুম্বা ঙাক্তনি হায়দুনা খ্বাই পূম্নমক্কী রেফরেন্স লৌফম ওইরকখি। লাইরিক অসিদগী মথং মথং পংশিন্দা শিন্দোক্তুনা ইন্টরনেটতসু থাগৎনখ্রবনি। মতুংদা লাকপা অইবা কয়ানসু ওজা বরমনিনা পুথোরকপনি হায়রিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী, মপোক নুমিৎ অমদি থবান অসি মথং মথং শিন্দোক্লদুনা লাইরিক কয়া ফোঙনখ্রে। অয়াম্বনা সরাংথেম বরমনিনা ইবদগী লৌবনি হায়দুনা পন্নদে। মশা মশানা থিরগা পুথোকপদৌ হাপ্পরকখি। খৃষ্ট কুম ১৭৪৮ (শোক ১৬৭০) পোইনু ১৩নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১০ তাবদা পোকই হায়দুনা ত্রিপুরাদদি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমিৎ ওইনা পোইনু ১৩নি পানবা চহী খুদিংগী পালন তৌখিবা অসে কুইখ্রবনি।

**অহুমশুবা মপোক চহী :** (খৃষ্ট কুম ১৯৯০দা পুথোরকখিবা) খৃষ্ট কুম ১৯৯০, ওক্টোবর ১৫দা শ্রীফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্ম্মনা ইবা **'মীতৈ ফিজেৎ লৈতেং'** কৌবা লাইরিক অমা ফোঙখি। লাইরিক অদুগী চেমায় ৯৯দা অসুম্না লাচল্লি।

'মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ (শোক ১৯৫১) খৃ: ১৭২৯দা পোকই। মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ চহী ৩০শুবদা নিংথৌ ওইদুনা মীতৈ লৈবাক্তা পাল্লি। মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী চহী ৫৪শুবদা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি লীংখৎতুনা সেবা ফংজখি।"

[শ্রী ইবোতোন শর্ম্মগী ফাইন্দিং অসিগী ফংফম পল্লমদে। অদুবু মহাক্না মতেং লৌখিবা লাইরিকশিংগী মমিং ১৩গী মনুংদা **চৈথারোল কুম্বাবা'** অমদি **'শ্রীশ্রী গোবিন্দ নিরুপন'** অনী অসি য়াওরি। মহাক্কী ফাইন্দিংনা মথক্তা পনখি মপোক চহী খৃ: ১৭৩৯ অমদি খৃষ্ট কুম ১৭৪৮ অনীদগী চহী ১০ অমদি ১৮ ঙনখৎনা ভাগ্যচন্দ্র পোকহল্লি। মহাক্না পুথোক্লিবা ফাইন্দিং অসে মনুং হঞ্জিন্না নৈনবা চঙঙি। য়াম্না চেকশিন্দবা অমনা শোক ১৯৫১বু খৃষ্ট কুম ১৭২৯ হায়দুনা পীরি। মসি প্রিন্টিং মিষ্টেকনি, শোক ১৬৫১ হায়গদবনি (খৃষ্ট কুম ১৭২৯-৭৮=১৬৫১)। লাইরিক অসিদা অরানবা চুমথোকপগী চেমায় হাপ্পমদে। অনীশুবা খূৎনমদা থেংনবনি (২০০০)। অসুক লুরবা মতাং অমবু চুমথোকপীরমদবা অসি অৱাবনি।]

**মরিশুবা মপোক নুমিৎ :** (খৃষ্ট কুম ২০০০ পুথোরকখিবা) খৃষ্ট কুম ২০০০ দিসেম্বর ৩১দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টনা ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা মীওই মরিগী শকমি য়াওনা কম্মেমোরেটিপ পোষ্টেজ ষ্টাম্প মরিখক পুথোকখি। মদুদা মণিপুরগী রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রসু য়াওই। পোষ্টেজ ষ্টাম্পশিং অদু পুথোকপগী পৌরপ্পা ৱারোল খরদং মখাদা পঞ্জরি :-

"A set of commemorative stamps on four such historical personalities of India is being issued by Department of posts.

Design : This set of four stamps focuses attention on India's great historical heritage, on the lives of Samrat Prithiviraj Chauhan (1162-1192 A.D). Raja Bhamashah (1542-1598 A.D. approx). General Zorawar Singh (1786-1841 A.D.) and **Rajarshri Bhagyachandra (1740-1798 A.D.).**

পোষ্টেজ ষ্টাম্পশিং অসি অমমমদা লুপা ৩০০/৩০০ পীবনি। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মখাদা হিন্দি ময়েক অমদি ইংলিস ময়েক্না 'রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র' হায়দনা থাই, মপোক চহী অমদি নোঙ্গাখিবগী চহী অনী অসিদি থাদে। অতৈগীসুনি। পোষ্টেজ ষ্টাম্প পুথোকপা মতমদা পোকপা শিবগী শোক তারিখতি থানদে। ষ্টাম্পগী শকমিগা লোয়ননা চেমায় অনী পানবা চেরোল অদুদা credits হায়বা কোলম অমগী মখাদা ৱাহৈ খরা থারি -




Name : Ningthou Ching-Thang Khomba

Born on 1748 at Janmasthan, Moirangkhom, Imphal, Manipur, India.

Died on 1798 at Murshidabad, West Bengal, India.

About : Rajarshi Bhagyachandra (1740-1798 A.D.) was an enlightened king of Manipur who left his mark on history ... His spiritual learning led to his being called 'Rajarshi' meaning 'king who was also ascentic'.

Text : Based on the materials furnished by the sponsors.

মথক্তা পঞ্জরিবা পোষ্টেজ ষ্টাম্প পুথোকখিবগী নোটশিং অসি পারুরগা 'রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র' গী মরিশুবা মপোক চহী অসি খৃষ্ট কুম ১৭৪০ (1740) ইরল্লি। অদুগা খৃষ্ট কুম ১৭৪৮দা পোকই হয়দুনসু 'credits' কোলমদা পল্লি। ইনিংথৌ অসিনা নোঙ্গাখিবগী কুমশিং ১৭৯৮ (1798) অসিদি মান্নরি। মসিনা তাকপদি তোঙান-তোঙানবা মণিপুরদগী কাঙলূপ অনীনা মেটরিয়েল পীরমগনি হায়বা অদু ময়েক শেংনা চোঙথোকচরক্লে।

অদুবু মণিপুরদগী স্পোন্সর কাঙবু অমনা য়াম্না কূপ্পা থিজিল্লবা মতুংদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী অসি খৃষ্ট কুম ১৭৪০ অসিনা চুমগনি হায়দুনা থাখিবনি হায়বগী লিখুন অমা লৈরি। কর্ত্তা ভাগ্যচন্দ্র পরিষদনা ফোঙবা আর কে ঝলজিৎনা ইবা ৱারোল মতেক খরদং লৌখৎচগে-

"Rajarshi Bhagyachandra was the king of Manipur from 1759 to 1762 and from 1763 to 1798. He was born at Yaiskul Janmasthan in the early half of the 18th century...

Bhagyachandra's date of birth is not recorded in the Royal chronicle of Manipur. But, there is a note in the margin of the relevient pages of the Royal Chronicle. According to it, his date of birth is the 27th Inga of 1662 sakabda i.e. 21st June 1740 A.D".

মথক্কী ৱাফম খরা অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা শগোলসেম ওজা ইন্দ্রমনি অমদি সরাংথেম বরমনি অনীনা পুথোক্লম্বনি হায়দুনা লৌনরিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী অনীশুবা মপোক (১ অমসুং ২) চহী, নুমিৎ থাবান হায়বদি খৃষ্ট কুম ১৭৪৮ পোইনু ১৩নি পানবা অসি লাল্লি হায়দুনা ককথৎনরকখি। মসিগী অচৌবা মরমদি খৃষ্ট কুম ১৭৪৮দা পোকখিবা ভাগ্যচন্দ্রনা মশাগী চহী ৮/৯ শুবা মতমদা মাগী মচা ইবুংঙো অহল নবানন্দবু খৃষ্ট কুম ১৭৫৬/৫৭তা পোকপা য়ারোই হায়বা অসিনি। মচা পোকপগী চহী খৃষ্ট কুম ১৭৫৬- মপা পোকপগী চহী খৃষ্ট কুম ১৭৪৮ = ৮ তাই। ৱাফম অসে মথক্কী ৱাহৌদোক্তা ভাগ্যচন্দ্র শক্তাকপা ওইনসু থমজখ্রে।

শগোলসেম ওজা ইন্দ্রমনি অমসুং সরাংথেম ওজা বরমনি অনীনা চৈথারোল কুম্বাবগী চেমায় খরা পাবদা চিথরম্বা ওইগনি। ইকায়খুম্নজখিবা ওজা অনীনা খৃষ্ট কুম ১৭৪৮ অসিবু কদায়দগী থেংনদুনা পুথোকপীরল্লিবনো? হৌজিক্তি পাউখুম পীবিনবা ওজা অনী লৈখিদ্রে। অদুবু ওজা অনীনা পুথোকপীরম্বা রাজর্ষিগী মপোক চহী খৃষ্ট কুম ১৭৪৮ পোইনু ১৩নি পানবা অসিবুদি পাক্তক্লনা মথং-মথং পংশিন্দা শিন্দোক্লদুনা সরা শনখ্রবনি।

মণিপুরগী মমিং লৈরবা ইতিহাসকার রাজকুমার ঝলজিৎনা সনা কোনুংগী পণ্ডিটশিং অমদি অখঙ অহৈ থিরেল্লোই কয়াগা য়াম্না কূপ্পা নৈনরবা মতুংদা পুথোকখিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী খৃষ্ট কুম ১৭৪০ অসি অমুক, খ্বাইনা চুম্মী হায়দুনা মথং মথং অমুক শীজিন্নবা হৌরকই। বাংলাদেশতা খৃ: ১৭৪০, জুন ২১দা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র পোকই হায়দুনা মপোক নুমিৎ পালন তৌবা হৌখ্রবনি। শ্রীশ্রী গোবিন্দ টেম্পল বোর্দনসু মসিনা চুমগনি হায়দুনা অয়াবা পীখ্রে হায়না তাখি।

শ্রী অরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মনা ইবা 'শ্রীগোবিন্দ নিরুপন' কৌবা লাইরিক্তসু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী খৃষ্ট কুম ১৭৪০নি হায়দুনা য়াওবা থেংনখি। হৌজিক লাইরিক অসি প্রেসতা লৈরি পুথোরক্লগনি হায়না তারি।

**মঙাশুবা মপোক নুমিৎ :** (খৃষ্ট কুম ২০০৮দা পুথোরকপা) লানকা, নাগাও অসামদা লৈবা নামৈরাকপম বিদ্যা সিংহ কৌবা অমনা 'হিষ্ট্রি ওফ মৈত্রবাক' কৌবা ইংলিসতা ইবা লাইরিক অমা খৃষ্ট কুম ২০০৮গী ফেব্রুৱারী থাদা ফোঙলকখি। লাইরিক অসিগী চেমায় ২২৯দা জয় সিংহ (ভাগ্যচন্দ্র) না অনীরকশুবা ওইনা চহী ২৬তা নিংথৌ ওই হায়দুনা পল্লি। লৌফম তাক্তে। খৃষ্ট কুম ১৭৬৩দা ভাগ্যচন্দ্রনা অনীরকশুবা ওইনা নিংথৌ ওইখি। মসিদগী ২৬ খাইদোক্লগা (খৃষ্ট কুম ১৭৬৩-২৬ = ১৭৩৭)। বিদ্যা সিংহনা মাগীসু ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী খৃষ্ট কুম ১৭৩৭ অসিনা চুম্মী হায়দুনা পুথোরকখি। মপোক নুমিৎ থবান অমদি পুংফম খেনফমদি য়াওদে। ভাগ্যচন্দ্র চহী ২৬শুবদা অনীরকশুবা ওইনা নিংথৌ ওই হায়বা অসিবু কদায়দগী লিখুননো হায়বা ৱাফম অমা থোরকই। ফরে, ভাগ্যচন্দ্রনা অহানবা ওইনা নিংথৌ ওই হায়বা অসিবু কদায়দগী লিখুননো হায়বা ৱাফম অমা থোরকই। ফরে, ভাগ্যচন্দ্রনা অহানবা ওইনা নিংথৌ ওইবা চহী খৃষ্ট কুম ১৭৫৯দদি মহাক্কী চহী অসি ২২ ওইবা তাই। আর কে ঝলজিৎকী ফাইন্দিংদগী চহী ৩ ঙনখৎনা বিদ্যা সিংহনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র পোকহনখ্রে। -মথং-মথং




## মরোল থোকপা লাই

